# য়ু এস পোলো এসোসিএশন্না য়ু কেগী হর্লিংহাম পোলো এসোসিএশনবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): মণিপুর টুরিজম অমদি ওল মণিপুর পোলো এসোসিএশন অনীনা খূৎশম্ন দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চখ্থরিবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱিমেন'স পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা য়ু এস পোলো এসোসিএশন চাউনা মায় পাকখ্রে।

কুমজা ১৯৭২ দা মণিপুরনা ফুল ফ্লেজেদ ষ্টেট অমা ওইখিবা নুমিৎপু নীংশিংদুনা থা অসিগী ২১ ফাওবা চখ্থগদৌরিবা অনীশুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱিমেন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা য়ু এস পোলো এসোসিএশন্না য়ুনাইটেদ কিংদমগী হর্লিংহাম পোলো এসোসিএশন পাঞ্জল ১৬-৯ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাল্লবা য়ু এস পোলো এসোসিএশনগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা মেচকী চক্র মরিমক্তা দোমিনেট তৌদুনা শান্নখি। য়ু এস পোলো এসোসিএশনগী হৈ-শিংলবা শান্নরোয়শিংনা মেচ অদুগী অহানবা চক্রদা পাঞ্জল মরি চনখি। পাঞ্জল অদু অনা ৱিংসলোনা পাঞ্জল অমা অদুগা কার্লে প্রসানোনা পাঞ্জল অহুম চনখি। চক্র অদুমক্তদা হার্লিংহাম পোলো এসোসিএশনগী চার্লোট এমি স্বেনিনা পাঞ্জল অমা অদুগা সারা জানে হুগরনা পাঞ্জল অমা চনখি।

মেচ অদুগী অনীশুবা চক্র ফাওবদা য়ু এস পোলো এসোসিএশন্না পাঞ্জল মঙা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৯ শুখি। মেচ অদুদা য়ু এস পোলো এসোসিএশনগী পাঞ্জল অদু কার্লে প্রসানোনা পাঞ্জল অহুম, অনা ৱিনস্লো অমসুং এন্দ্রি পরসানোনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৯ শুখি। চক্র অদুমক্তদা হার্লিংহাম পোলো এসোসিএশনগী ময়ানি জে বি পাৱেল অমসুং অনাবেল মেকনাওটনা পাঞ্জল অমমম চনখি।

অহুমশুবা চক্রদা য়ু এস পোলো এসোসিএশন্না পাঞ্জল মরি চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ১৩ শুখি। পাঞ্জলশিং অদু ষ্টেফেনি মেসে অমসুং কার্লে বর্সানোনা পাঞ্জল অমমম চনখি। অনা ৱিনস্লোনা পাঞ্জল অনী চনখি।

চক্র অদুমক্তদা হার্লিংহাম পোলো এসোসিএশনগী ময়ামি জে বি পাৱেল, সরাজানে হুকস অমসুং অনাবেল মেকনাউট মখোয় অহুম্না পাঞ্জল অমমম চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৭ শুখি।

মেচ অদুগী মরিশুবা অমদি অরোইবা চক্রদা য়ু এস পোলো এসোসিএশনগী কার্লি প্রসানো, ষ্টেফেনি মেসে অমসুং অনা ৱিনস্লোনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ১৬ শুখি। চক্র অদুমক্তদা হার্লিংহাম পোলো এসোসিএশনগী অনাবেল, মেকনাউট অমসুং হ্যুজনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৯ শুখি।

## স্পোর্টস ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): ওরিয়েন্টেল কোলেজ খোংমন মঙজিলনা শিন্দুনা গোল্ডন জুবিলি য়াওশঙ স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৭ কী শরুক অমা ওইনা ফেব্রুৱারী ১৯ দগী ২১ ফাওবা জুনিয়র বোইজ বোল্লিবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ পাঙথোক্লগনি।

থা অসিগী ২১ দগী ২৫ ফাওবনা জুনিয়র বোইজ বোল্লিবোল চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্কনি। নুপাগী মুক্না পানা ষ্টাইলনা ফেব্রুৱারী ২৬ তা খোংমন মঙজিন্দা লৈবা ওরিয়েন্টেল ক্লবকী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। শরুক য়ানিংবা ক্লব, ওর্গেনাইজেসন, এসোসিএশনশিংনা মণিপুর কাবাদ্দি এসোসিএশন, ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশন অমসুং ওল মণিপুর মুক্না এসোসিএশন দগী এন্ত্রি ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতম ফেব্রুৱারী ১০ ফাওবনি।

## ইবুধৌ মৈজ্রাওলাকপা ত্রোফি হৌরগনি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): য়ঙ য়ুনিয়ন ক্লব ইরোম মৈজ্রাওনা শিন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপা ইবুধৌ মৈজ্রাওলাকপা সিক্স মেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ (ইবুধৌ মৈজ্রাওলাকপা ত্রোফি) থা অসিগী ২২ দগী পাঙথোক্লগনি হায়রি। ১২ রক শুবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইবুধৌ মৈজ্রাওলাকপা ত্রোফি অসিগী ৱিন্নরদা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৩০ গী শেলগী মনা পীগনি। রন্নর্স-অপতা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ১৫ গী শেলগী মনা পীগনি। থার্দ প্লেসতনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৫ গী শেলগী মনা পীগনি।

# নুমিৎ ১৫ নি চুপ্পা চখ্থরকখিবা গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): লমদমসিগী হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংবু তুংদা অফবা ফুটবোল্লর অমা ওইরক্নবগী অচেৎপা পান্দম মখাদা ভেটরান সোক্কর এসোসিএশন ওফ ইম্ফাল (ভি এস এ আই) থাংমৈবন্দনা শিন্দুনা থাও গ্রাউন্দদা চখ্থরকখিবা গ্রাস রুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে।

নুমিৎ ১৫ নি চুপ্পা চখ্থরকখিবা গ্রাস রুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অদুদা চহী ৬ তগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচা অমসুং নুপীমচা ১৪০ না শরুক য়াখি।

হৌখিবা জানুৱারী ৫ দগী চখ্থরকখিবা গ্রাস রুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অদুদা লমদমসিগী মশক নাইরবা ফুটবোল্লরশিংনা হৌগৎলক্লিবা পীক্লিবা অঙাংশিংদা ফুটবোলগী বেসিক নোলেজশিং নীংথিনা তাকপী তম্বীখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা ফুটবোলগী এক্সপার্টশিংনা অসিগুম্বা ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসি চাং নাইনা পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লখি।

অসিগুম্বা ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকপা অসিনা পীক্লিবা অঙাংশিংগী লোৎশিন্দুনা থম্লিবা টেলেন্টশিং অদু মীয়াম মমাঙদা উৎথোকপা ঙমগনি। অসিগুম্বা ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকপা অসিনা ক্বালিটি লৈবা অফবা ফুটবোল্লর কয়া পুথোকপদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়খি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা ডা. আর কে নিমাই (রিটয়ার্দ, আই এ এস) না হায়, ঐখোয়না হৌগৎলক্লিবা টেলেন্ট লৈরবা অফবা নহাশিংবু মগুন লৈবা ত্রেনিং পীদুনা মখোয়গী টেলেন্ট খঙদোকপা মথৌ তাই। অসিগুম্বা খোঙথাংশিং অসি চাওখৎলবা লৈবাকশিংদদি চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌনা চখ্দুনা লাক্লে। কোচখক্তা নত্তনা ফুটবোল মশান্না চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা নত্তনা ঐখোয়সু শরুক য়াগদবনি হায়না আর কে নিমাইনা মখা তাখি।



L.G. MOTORS
LOAN AVAILABLE
Hurry
NEW YEAR 2017
{INSURANCE(P.A) & HELMET FREE}
ONE DAY DELIVERY
ONLY TWO WHEELERS
NO GUARANTOR
NO PROCESSING FEE
AREA COVER:
MANIPUR STATE
OFFICE HOUR:
10.30AM TO 4.00PM
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING OPP. P.S., THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,AIRPORT ROAD.
HL-B/3524,7,9....

# এল সী এফ সী লৈমখোং অমসুং ৱাই এস সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): ময়াং লাংজিং য়ুথ লাইব্রেরি ক্লবনা শিন্দুনা ঙসিদগী ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা ১২ শুবা ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৩ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এল সী এফ সী লৈমখোং অমসুং ৱাই এস সী নাওরেম চাপ্রৌ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এল সী এফ সী লৈমখোংনা ভি আর ও লমদেং গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। এল সী এফ সীগী গোল অহুম অদু বসন্তা, রিসিকান্তা অমসুং মাইকেলনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ৱাই এস সী নাওরেম চাপ্রৌনা জে সী সলাম গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। চাউনা মায় পাল্লবা ৱাই এস সী নাওরেম চাপ্রৌগী গোল মঙা অদু ননাও, অকাস, সামসন, জিতেন অমসুং লনচেনবনা চনখি।

অহুমশুবা মেচতা টি বি এস এফ এ তাওবুংখোক্লা টি দি সী তনিং গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখি। মরিশুবা মেচতা কে ৱাই এফ এ কাইরংনা এফ সী লমশাং গোল ১১-০ দা মায়থীবা পীখি।

# সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইরেংবন এফ সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ১৯ (ঐচএনএস): ওল ইরেংবন ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ) ইরেংবন্দনা শিন্দুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইরেংবন্দ হায়স্কুলগী গ্রাউন্দদা টিম ১৭ না শরুক য়াদুনা চখ্থরিবা অনীশুবা ষ্টেট লেবেল কেশ প্রাইজ সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ইরেংবন এফ সী অমসুং টি কে দল্লিয়ু এ তেন্থা মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ইরেংবন এফ সীনা এ এফ সী গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা ইরেংবন এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা গোল অনী অহানবা হাফ ফাওবদা মাঙজিল থানা লৈখি।

ইরেংবন এফ সীগী অহানবা গোল অদু রাধাকান্তনা মেচকী ১১ শুবা মিনিটতা চনখি। গোল অমা শোখ্থরিবা এ এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোকপগীদমক য়াম্না কন্না হোৎনরিঙৈ ইখঙ খঙহৌদনা মেচকী ২৪ শুবা মিনিটতা ইরেংবন এফ সীগী মিলন্না টিমদুগী অনীশুবা গোল চনখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা এ এফ সীনা গোল অনী শোখ্থনা লৈখ্রবা মতুং হাফ হৌখিবা ইকান কান্নদনা মেচকী ২৭ শুবা মিনিটতা পেত্রিক্লা টিমদুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চন্দুনা ইরেংবন এফ সীদগী গোল অমা হন্দোকপা ঙমখি। গোল অমা মাঙজিল থারিবা ইরেংবন এফ সীগী বিদানন্দনা গোল অমা মেচকী ২৮ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা টি কে দল্লিয়ু এ তেন্থানা হৈরোক এফ সী টাই ব্রেক্তা গোল ৫-৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা হৈরোক এফ সী অমসুং টি কে দল্লিয়ু এ তেন্থানা মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা গোল অমমম চন্নখি।

য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবা মেচ অদুদা হৈরোক এফ সীগী গোল অদু কৃষ্ণনন্দনা মেচকী ৮ শুবা মিনিটতা চনখি। টি কে দল্লিয়ু এগী ইক্বেলাইজর গোল অদু মেচকী ২২ শুবা মিনিটতা জুলিএটনা চনখি।

টাই ব্রেক্কী কিক্স ফোম পেনালটি মার্কদা টি কে দল্লিয়ু এগী গোল অদু অশোক, রোমারিও, সুন্দর অমসুং প্রেমচান্দনা চনখি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা হৈরোক এফ সীগী টাই ব্রেক্কী কিক্স ফোম পেনালটি মার্কতা গোল অনীখক চনখি। গোল অদু জুলি অমসুং অবোয়না চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল অহুম শুখি।

অমরোমদা ঙরাং শান্নখিবা মেচতা সোনালিকা এফ সীনা সুরমা এফ সী টাই ব্রেক্কী কিক্স ফোম পেনালটি মার্কতা গোল ৫-৪ দা মায়থীবা পীখ্রে হায়না হায়খিবা অদু সুরমা এফ সীনা সোনালিকা এফ সী গোল ৫-৪ দা মায়থীবা পীখ্রে হায়গদবনি।




Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 9435246580
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.
HL-B/3537/17/1-15/2




